# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী ৯৯লকশুবা ইন্টরনেসনল গোল চন্দুনা পোর্টুগলবু য়ুরো ২০২০ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইখ্রে



লুজেম্বর্গ, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা পোর্টুগলগী কেপ্তেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা গ্রুপ বিদা লুজেম্বর্গকা শান্নবদা মহাক্কী করিয়রগী ৯৯লকশুবা ইন্টরনেসনল গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেচ অদু ২-০দা থোইদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ঙরাং লুজেম্বর্গ সিটিদা লৈবা জে াসি বার্থেল ষ্টেদিয়মদা য়ূম্মু লৈবাক লুজেম্বর্গ অমসুং পোর্টুগলনা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী ৮শুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা য়ূম্মু টিম অদুবু হৌবদগী পোর্টুগলগী শান্নরোয়শিং অদুনা লাকচনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি।

মেচকী অহানবা হাফকী পুম্থায় অমরোমগী মতম ফাওবদি পোর্টুগলগী শান্নরোয়শিং অদুনা লুজেম্বর্গতা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি। ৩৯শুবা মিনটতা পোর্টুগলগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোয় ফর্ণান্দেজনা পাঞ্জল চন্দুনা লুজেম্বর্গপু ১-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

লুজেম্বর্গকী টিম মেচ অদুগী মাঙওইননা রাউন্দ ৭ শান্নবদা মেচ অমা থোইরগা ৫ মায়থীবা নংলবা মতুং মেচ অমা দ্রো চৎলগা পোইন্ট ৪ ফংখি।

অমরোমদা পোর্টুগলগী টিম মেচ ৭ শান্নবদা ৪ মায় পাকখিবা, দ্রো অনী চৎখিবা অমসুং মেচ অমা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১৪ ফংখিবনি।

গ্রুপ অদুদা সর্বিয়াগী টিমসু পোর্টুগলগা পোইন্ট চপ মান্ননা ১৪ ফংমিন্নখি। মখোয়সু খুদোংচাবা লৈখিবনি। অদুবু সর্বিয়ানা য়ুক্রেনগা শান্নখিবা মেচ দ্রো চৎখিবা অমদি পোর্টুগলনা লুজেম্বর্গপু থোইখিবদগী অয়েৎপা লৈতনা পোর্টুগল য়ুরো ২০২০গীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ২ মাঙজিল থাদুনা লৈরবা পোর্টুগলগী শান্নরোয়শিং লুজেম্বর্গকী মায়কৈদা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা ফনা কুইনা লৈখি। শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা লুজেম্বর্গপু ২-০দা থোইবগা লোয়ননা গ্রুপ বিদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

গ্রুপ অসিগী ঙরাং বেলগ্রেটতা লৈবা রেদ ষ্টার ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা য়ূম্মু সর্বিয়া অমসুং টিম অদুগী লুচিংবা ওইরিবা য়ুক্রেনগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৯শুবা মিনটতা সর্বিয়াগী মায়কৈদগী টাদিকনা পেনালটি অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী মেচকী ৩২শুবা মিনটতা য়ারেনচুকনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অহানবা হাফ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ সর্বিয়াগী য়াম্না ফজবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এ মিত্রোবিচনা ৫৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা য়ুক্রেনবু ২-১দা মাঙজিল থাখি।

সর্বিয়াসু মেচ অদু মায় পাক্লবদি ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী তাঞ্জা লৈবনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাখিবা অদুগী মথক্তা অহেনবা পাঞ্জল য়ুক্রেনগী মায়াক্তা চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

মেচকী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকখি। য়ুক্রেন পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অদুবু ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা য়ুক্রেনগী মায়কৈদগী বেসেদিননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা সর্বিয়াগী মায় পাকপগী লম্বেল অদু থদৎখিবনি।




ঙরাং গ্রুপ এদা মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইরবা ইংলেন্দগী টিমনা কোসোবোবু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা ৱিংসনা ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনখি। অতোপ্পা পাঞ্জল অহুম অদুনা অনীশুবা হাফতা চনখিবনি।

স্কোররশিং অদুদি হেরি কেন (৭৯), রাসফোর্দ (৮৩) অমসুং ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা মাউন্টনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিনখি।

ইংলেন্দগী টিম মেচ অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা রাউন্দ ৮দা ৭ মায় পাক্তুনা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ২৯ ফংলগা গ্রুপকী মকোক ওইবদা নত্তনা মাঙজৌননা য়ুরো ২০২০গী ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা বলগেরিয়ানা হান্না ক্বালিফাই ওইখ্রবা জেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। জেক রিপব্লিক পোইন্ট ১৫ ফংদুনা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা পোজিসন তারগা ক্বালিফাই ওইখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৭

১) হিটলরনা জর্মনিগী লৈঙাকপা ওইরিঙৈদা জিয়ুশিংবু ওৎ নৈখিবদা নত্তনা মখোয় কয়ামুকসু হাৎখি। মরম অদুনা জিয়ু শান্নরোয় অমদি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চেনখি। কুমজা ১৯৩৬তা বার্লিন্দা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা জর্মনিনা লৈবাক অদুদগী চেনখিবা জিয়ু শান্নরোয় অদু অমুক হন্না কৌদুনা (মহাক হল্লক্তুনা) ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং করিনো?

২) ওলিম্পিক গেমসকী টিমগী থৌরম অমদা লৈবাক অমনা কুমজা ১৯২০দগী কুমজা ১৯৫২ ফাওবগী মনুংদা মেচ ৩৭ লক মায় পাকখি, ৩ লক পোখি। লৈবাক অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) অহানবা পান অমেরিকান (Pan American) গেমসতা মিটর ১০০গী লমজেলদা মকোক ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈগী চহী ৩৮৮গী মমাংদা ওলিম্পিয়া (OLYMPIA)দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক অমদা তিল্লিবা গ্রিস মীয়াম অদুদা ৱা ঙাঙদুনা তাহনখিবা গ্রিসকী ৱাঙাংলোয় অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সাথিয়াননা চাইনাগী সেন য়াওহোনগা ট্রেনিং তৌগদৌরি



টিরুবন্তপুরম, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান টেবল টেন্নিস শান্নরোয় সাথিয়ান গনসেখরননা আই টি টি এফ মেন্স ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়নশিপকী শেম শাবা ওইনা কোচ চাইনাগী সেন য়াওহোনগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌগদৌরি।

মশাগী চহী ২৬তা ঙাইরিবা গনসেখরন মালেমগী ওইনা ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসন্না খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা ৩০শুবা পোজিসন্দা লৈরি। মহাক্না ইন্দিয়াগী ওইনা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয়নি।

সাথিয়ান গনসেখরননা চাইনাগী কোচ সেন য়াওহোনগা লোয়ননা নবেম্বর ২৯দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা ট্রেনিং তৌগদৌরি। নীংশিংবা য়াইস, সেন য়াওহেনো হান্না চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয়শিংগী কোচ ওইরম্বনি। ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সাথিয়াননা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী করিয়রদা ইহান হানবা ওইনা ইন্দিয়াদা চাইনাগী কোচ অমগা ট্রেনিং তৌগদৌরিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা চাইনাগী শান্নরোয়শিংনা টেবল টেন্নিস মশান্না অসিগা দোমিনেট তৌদুনা শান্নবা ঙল্লি। মরম অদুনা চাইনাগী মীওইনা অমদা ট্রেনিং তৌমিন্নগদৌরিবা অসিনা মঙোন্দা য়াম্না কান্নবা ফংলগনি।

মরু ওইনা সাথিয়াননা চাইনাগী খোংজেল য়াম্না য়াঙবা মশান্না অদুবু মহাক্না য়াম্না থুনা হৈনিংবা ফাওই হায়খি। মহাক্না মপান লমদা চৎতুনা লৈবা মরম্না ইন্দিয়াদা লৈরবা মতুং চয়োল অমগী ট্রেনিং অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ্তা চহী ৪৩গী মতুংদা সাথিয়াননা অহানবা ইন্দিয়া মচা অমা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। দিসেম্বর থাদা মহাক্না কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংগসু ট্রেনিং তৌগদৌরি।

# ব্রাজিলনা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা চহী ১৭ মখাগী ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী টাইটল লৌখ্রে



গামা, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ূম্মু ওইরিবা ব্রাজিলনা মেক্সিকোবু ফাইনেল মেচতা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক ২৪না শরুক য়াদুনা মমাঙ থাগী ২৬তগী হৌরকখিবা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙরাং শান্নখিবা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা য়ূম্মু ব্রাজিল অমসুং মেক্সিকো লম্বা তৌনখিবনি। টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবা অদুনা অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ১৪দা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ব্রাজিলনা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনখিবদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ০-২দা শোৎথদুনা লৈরম্বদগী অনীশুবা হাফতা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা পাঞ্জল ৩ চল্লগা ফ্রান্সপু ৩-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

অমরোমদা মেক্সিকোনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌনবদা অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্ন খিদবদগী পেনাল্টি শুটআউটতা মেক্সিকোনা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

ঙরাং গমা সিটিদা লৈবা বেজেরাও ষ্টদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা মেক্সিকোনা ফজবা হেল্লকপদগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা গোঞ্জালেসনা চন্দুনা ব্রাজিলবু মখোয়না ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতমদা মেক্সিকোগী পাঞ্জল অদু ব্রাজিলনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা হন্দোক্নবা শান্নরকখি। ইক্বেলাইজর ফংদনা মেচ লোয়গদবা মিনট ১০ রোমতমক ঙাইরকখি। শান্নবগী ৮৪শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী এটেক্ট অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু কায়োনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর ফংখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী লজারোনা মায়পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেক্সিকোবু ২-১দা থোইদুনা মখোয়গী পুৱারীদা ৪রকশুবা টাইটল অদু ফংখি। ফ্রান্সনা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি।

# গ্রিসকী ষ্টিপানোস সিসিপাসনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু সেট ২-১দা থোইদুনা এটিপি ফাইনেলস লৌখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): লন্দন সিটিদা লৈবা ও টু এরেনাদা থা অসিগী ১০দগী শান্নবা হৌরকপা সিজন অসিগী লোয়শিল্লকপা শান্নবা এটিপি ফাইনেলতা ঙরাং গ্রিসকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ষ্টিপানোস সিসিপাসনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু সেট ২-১দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

য়ু এস দোল্লর ৯,০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ৫০রকশুবা সিঙ্গলস অমসুং ৪৫রকশুবা দবলসকী টুর্নামেন্ট অদুদা সিজন অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ওইখিবা ষ্টিপানোস সিসিপাসনা ৩শুবা সিদেদ স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদররবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি। অমরোমদা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ৭শুবা সিদেদ জর্মনিগী অলেকজেন্দর জ্বেরেবপু ৭-৫, ৬-৩দা থোইরম্বনি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদু শান্নরোয় অনীমক হৌবদগী লম্বা য়াম্না মান্ননা লাম্থেংনরকখি। অহানবা সেট অদু অমনা অমবু খুদুম চনবা ঙম্নদনা গেম ১২ শান্নবা লোয়শিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাইব্রেক শান্নখি। টাইব্রেক অদুদসু য়াম্না মান্ননা শান্নখি। দোমিনিক থিয়েমনা পোইন্ট ৮-৬তা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা সেট অমা সিসিপাসনা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মশাগী চহী ২১দা ঙাইরিবা গ্রিসকী সিসিপাসনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না ঙন্না দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদু সিসিপাসনা গেম ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু য়াম্না নুঙাইবা মওংদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোয় অনীনা মখাতানা লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙল্লকখি। অহানবা সেটতা লাকশিন্নবা ঙম্নদনা শান্নখিবা অদুগুম্না গেম ১২ লোয়শিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ মান্নদুনা লৈখিবদগী টাইব্রেক শান্নখি। অহানবা সেটকী টাইব্রেক অদু দোমিনিক থিয়েমনা ঙমখ্রবসু অহুমশুবা সেট অদুদদি ষ্টিপানোস সিসিপাসনা পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা ফাইনেল মেচ অদু সেট ২-১দা মায়পাক্লগা চহী অসিগী এটিপি টাইটল লৌবা ঙমখি।

সিসিপাসনা টাইটল ফংখিবা অসি এটিপি ফাইনেলসতা অহানবা শরুক য়ারকপদা টাইটল লৌবা ঙম্বা মহাক্না মরিরকশুবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী করিয়রগী ওইনা চহী অসিদা ৩লকশুবা সিঙ্গলস টাইটলনি।

# ঙাঙোম বালা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জস এফ সিদা ত্রায়ল কৌরক্লে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবী নুপী ফুটবোল্লর ঙাঙোম বালা স্কোটিস প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবনা ত্রায়লগীদমক কৌরক্লে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা ঙাঙোম বালানা খ্বাইদগী এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয়নি। বালানা থা অসিগী ১৯দা স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা চৎতুনা ক্লব অদুদা চয়োল অমগী ত্রায়ল য়াওগদৌরিবনি। মদুদা ট্রেনিং অমসুং মেচশিং শান্নগদৌরি।

করিগুম্বা ত্রায়ল অদুদা বালানা মায়পাকপা তারবদি মহাক কুমজা ২০২০ সিজনগী ওইনা রেঞ্জর্স এফ সিগী প্রোফেসনেল কন্ত্রেক্ট অমা খুৎয়েক পীনগদৌরি। লোয়ননা মহাক্না মদু তৌরবদি ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয় অমনা মীরমদা মপুং ফানা প্রোফেসনেল শান্নরোয় ওইগদৌরি।

রেঞ্জরস ফুটবোল ক্লব অসিগী নুপাগী টিম হৌজিক হৌজিক মমিং লৈরবা ইংলেন্দগী শান্নরোয় ওইরম্বা ষ্টিবেন জেরাকনা কোচ ওইরি। টিম অদু য়ুরোপা লীগ ফাওবা শান্নরিবনি। অদুগা নুপীগী ক্লব অসিনা কুমজা ২০১৯দা স্কোটিস বিল্ডিং সোসাইটি লীগকী মরিশুবা পোজিসন তাখি।

ঙাঙোম বালা কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৫দা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ৱিমেন্স ফুটবোল প্লেয়র ওফ দ য়রগী মনা পীখ্রবনি। মহাক্না চহীসিগী ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ অমসুং সেনিয়র নেসনল ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তসু খ্বাইদগী য়াম্না পাঞ্জল চনবা শান্নরোয় ওইখি। মহাকপু প্রাইভেট কম্পেনি অমা ওইরিবা ষ্টার সিমেন্টনা স্পোন্সর তৌরি।

ষ্টার সিমেন্টকী সী ঈ ও সঞ্জেয় কুমার গুপ্তনা ফোঙদোকখিবদা কম্পেনি অসিনা ঙাঙোম বালানা খুৎশম্নবা অসি য়াম্না চাউথোকচনীংঙাইনি। মহাক্কী মতেংনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল অসি অহেনবা থাক্তা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি হায়খি।

# ইন্দিয়ানা ওমানগা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়রগী শিবা চঙবা মেচ থেংনগদৌরি



মসকেট, নবেম্বর১৮ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা কটারনা য়ূম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং মেচ অমা ওইনা হয়েং ইন্দিয়ানা ওমানগা শিবা চঙবা মেচ অমা শান্নগদৌরি।

চহীসিগী সেপ্টেম্বর থাদা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী মনুং চন্না ওমানগা ইন্দিয়াগা গুৱাহাটিদা অহানবা লেগ শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ওমানবু মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল শেল্লম্বনি। অদুবু ওমানগী টিম অদুনা অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অনী চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরমখি।

ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী সেকেন্দ রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক ফাওবদা মেচ অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রি। ওমাননা থোইরম্লবা মতুং কটারগা শান্নখিবা মেচ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং বাংলাদেশকা শান্নবদসু দ্রো চৎলবা মতুং হন্দক্তা আফঘানিষ্টানগা শান্নখিবা মেচ অদুসু দ্রো চৎখি।

গ্রুপ ঈদা ইন্দিয়া পোইন্ট ৩ খক ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি। খ্বাইদগী মকোক্তা কটারনা পোইন্ট ১০ ফংলগা লৈরি। অনীশুবদা ওমাননা পোইন্ট ৯ ফংলি। অদুগা অহুমশুবদা আফঘানিষ্টানগী টিমনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা লৈরিবনি।

করিগুম্বা হয়েংগী মেচ অসিদা ইন্দিয়াগী টিমনা ওমানবু মায়থীবা পীবা ঙল্লবদি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমদি ফংলিবনি। অদুবু মায়থীবা নংলবদি ইন্দিয়া ক্বালিফায়িং রাউন্দ অসিদগী লৈহৌরে হায়না লৌবা য়ারে।

মরক অসিদা ইন্দিয়াগী টিমদা হান্না য়াওখিদবা অনাস ইদাথোদিকা য়াওরগনি হায়না ফোঙদোরকপদা টিম অসিগী পাঙ্গল হেনগৎখি। হয়েং ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি।